# আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা লোকদাউন মনুংদা আর্চর অমদি কোচশিংগী ওনলাইন প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি



কোলকটা, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই)না কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লৈবাক অসিদা নেস্নেল লোকদাউন চখরিঙৈ মনুংদা শান্নরোই অমদি কোচশিং পুনশিন্নবগী পান্দমদা ওনলাইন প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি।

ওনলাইন প্রোগ্রাম অসিদা ৱার্ল্ড আর্চরি দিভলপমেন্ট এন্দ এডুকেসন ডাইরেক্টর ওইবতা নৎতনা ফ্রান্সনা ১৯৯২ ওলেম্পিকতা গোল্ড লৌখিবা টিম ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা পাসকাল কোলমাইরি য়াওনা অতোপ্পা এক্সপার্ট ১৭ না থা অসিগী ১৬ তগী ওন লাইন লেসন অসি শান্নরোই অমদি কোচশিংদা তাকপি তন্বীগদৌরি।

আর্চরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অর্জুন মুন্দানা এজেন্সি অসিদা হায়, লোকদাউন মনুংদা করিমত্তা তৌদনা লৈগদবগী শরুক ওনলাইন ট্রেন্নিংদা শরুক য়াবা অসিনা কান্নবা ফঙগনি। ঐখোয়না আর্চরশিংগীদমক ওনলাইন ট্রেন্নিং মোদুল শেম শাবা লোয়রে।

পাসকাল কোমাইরিনা এক্সপান্সনগী মতাংদা তাকপী তন্বীগনি। এক্সপার্টশিংগী মনুংদা সঞ্জিবা সিংহ অমসুং পুনিমা মহাদোসু য়াওরি। ওনলাইন প্রোগ্রাম অসিদা কোচকী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমসুং ফিজিওলোজি, বাইও-কেমিষ্ট্রি, ইষ্ট্রেং-কন্দিসনিং, ন্যুট্রিসন ওফ দোপ্পিংগী মতাংদা মে ১২ ফাওবা স্পোর্টস সাইন্স লেকচর পাঙথোক্কনি।

ওনলাইন প্রোগ্রাম অসিনা আর্চরগী একাদেমিশিংদা শোয়দনা কান্নবা পীগনি। মসিগী খুদোংচাবা অসি মখোয়না শোয়দনমক্কী লৌদুনা অশোয়বা চুমথোকফম ওইবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না ইনিদয়ান আর্চর কয়া ট্রেন্নিং মফমদগী মশা মশাগী ময়ূমদা হনখ্রবসু পুনেদা লৈবা কেম্পকী মীওইশিংদি মফম অদুদা লেঙদনা লৈরি। মসিগী মতাংদা অর্জুননা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱারেপ লৌদ্রবসু আর্চরশিংনা মপুং ফাবা ফেসিলিটি ফঙবা মফম অসি পুনে অমদি জমসেদপুরদনি। মখোয়না মফম অমা হেক্তাদা ট্রেন্নিং তৌবা য়াগনি। ৱাফম অসি খৎন্নরি। ৱারেপ লৌরবা মতুংদা মখোয়না খঙহনগনি। মসি ফাওবদি হিরম অসিগী মতাংদদি কমেন্ট অমতা ফোঙদোকখিরোই হায়খি।

পুনে রিকপ নেস্নেল কেম্পগী মফম ওইদুনা রিও ওলেম্পিক ২০১৬ দগী নুপা অমসুং নুপী আর্চর ১৬ না কেম্প তৌদুনা লাক্লি। অর্ম্মি বেজদা লৈবা আর্চরশিংনা ময়ূম ময়ূমদা হন্নখিবনা অমদি নেস্নেল কেম্প অসিগী লাইবক লৈবাক অসিদা হান্নগী মতৌদা হল্লক্লবা কান্দা খঙল্লগনি।

এ এস আই পুনে বোস অসি আর্চরশিংগী ৱার্ল্ড ক্লাস ফঙবা মফম অমা ওইরি। মফম অসিদগী লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা আর্চর তরুনদিপ রাই অমদি ইন্দিয়ান নম্বর ৱানগী জুরা দিপিকা কুমারী অমদি অতানুদাসনা মফম অসি হোঙবদা খৎন্নবা তারি।

থাংজ নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা ওনলাইন ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মেন্টেল টকনেসগী মতাংদা অর্জুনা অমদি দ্রোর্ণচার্য্যা এৱাদি সঞ্জিবা সিংহনা তাকপীগনি। এপ্রিল ১৭ তনা স্কোউটিং ওফ কেদেদগী মতাংদা টাটা আর্চরি একাদেমি জমসেদপুরগী দ্রোর্ণাচার্য্য এৱার্দি কোচ পুনিমা মহাদোনা তাক্কনি। এপ্রিল ১৮ দা ইক্কুপমেন্ট টুনিং এন্দ বো সেটঅপ রিকপগী মতাংদা যমুনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স দিল্লিগী লোকেসচান্দনা তাকপীগনি অদুগা এক্সপান্সন হায়বগী মতাংদনা দিভলপমেন্ট এন্দ এডুকেসন ডাইরেক্টর ৱার্ল্ড আর্চরি পাসকাল কোমাইরিনা তাকপিগনি।

এপ্রিল ২০ দনা ইক্কুপমেন্ট টুনিং এন্দ বো সেটঅপ কম্পাউন্দগী মতাংদা এম পি আর্চরি একাদেমিগী চীফ কোচ রিসপাল সিং হনা তাকপিগনি। এপ্রিল ২১ দনা ইলাইদ কোচিং বেজ ওন কি সিক লি ( রিকপ) অমদি লেরি ৱাইজ ( কম্পাউন্দ)গী মতাংদা অর্জুনা অমদি দ্রোর্ণাচার্য্য এৱার্দি সঞ্জিবা সিংহনা তাক্কনি। এপ্রিল ২২ দনা ইম্পোরটেন্স এন্দ ইন্ট্রিগেসন ওফ স্পোর্টস সাইকোলোজি ইন দিল্লি প্রেটিক্সকী মতাংদা স্পোর্টস সাইকোলোজি গাইত্রি ভরতাকনা তাক্কনি।

এপ্রিল ২৩ দা পিরিওদাইজেসন এন্দ ট্রেন্নিং প্লানগী মতাংদা আর্চরিগী প্রোজেক্ট ওফিসর রুকেস সিংহনা তাকপিগনি অদুগা সাইকোলোজি ( প্রিরেসন, রিদাইন এন্দ ইন্ট্রেক্সন বিটুইন ইলাইদ কম্পীটিটর এন্দ কোচ)গী মতাংদা দিভলপমেন্ট এন্দ এডুকেসন ডাইরেক্টর ৱার্ল্ড আর্চরি পাসকাল কোমাইরিনা তাকপিগনি।

এপ্রিল ২৪ দনা বাইও মেকানিককী মতাংদা টিচিং ফেক্লটি ( আরর্চরি) এন আই এস কোলকটা প্রকাস গঙ্গাধরনা তাক্কনি। এপ্রিল ২৫ তনা কোচিং ফোর বিগন্নর আর্চরসগী মতাংদা ডাইরেক্টর ওফ ফিজিকেল এডুকেসন এস পি কোলেজ পুনেগী রঞ্জিৎ চামলেনা তাক্কনি। এপ্রিল ২৭ তা ট্রেন্নিং সেসনগী ন্যুট্রিসন এন দাইটকী মতাংদা ন্যুট্রিসনিস হিমানি পুরিনা তাক্কনি। এপ্রিল ২৮ দা স্পোর্টস ইঞ্জুরি এন্দ রিহেবিলেসনগী মতাংদা স্পোর্টস ফিজিও থেরাপিস ডা. সন্ধিপ চৌধুরিনা তাক্কনি।

এপ্রিল ২৯ দা মাইম কোচিংগী মতাংদা ৱার্ল্ড আর্চরিগী লেবেল থ্রী কোচ সিহাম হুসাইলিনা তাক্কনি। এপ্রিল ৩০ দা এসেমেন্ট এন্দ মসকুলর স্কেলেটন করেক্সন ফোর আর্চরগী মতাংদা স্পোর্টস এন্দ এক্সসাইজ মেদিসিন ডা. অজিৎ মপারিনা তাক্কনি। মে ১ দা নোক্কিং ইয়োর ব্রেনগী ম তাংদা এন্দ এল পি সাটিপাই মাষ্টরমাইন্দ কোচ এন্দ রাইকি এক্সপার্ট সঙ্কর মজুমন্দরনা অদুগা মে ২ দা ফিটনেস ট্রেন্নিং এন্দ কন্দিসনিংগী মতাংদা এ এস আই পুনেগী কোচ নিলেস গুপ্তনা তাক্কনি।

# এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসননা কম্পিটিসন পূম্নমক অমুক মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসন ( এ এফ সি)না চৎলিবা চহী অসিগী মে অমসুং জুনদা পাঙথোক্কদবা সোক্কর গেমস অমসুং কম্পিটিসনশিংগী সেদ্যুল পূম্নমক মতম কক্তনা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদূনা অমুক য়ৈথোক্লে হায়না এসিয়ানগী ফুটবোল গভর্ণিং বোদি অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাওথোকখ্রে।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ, এসিয়া ইলাইট ক্লব কম্পিটিসনশিং চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা গ্রুপ ফেজ ফাওবা পাঙথোক্লরম্বা মতুং কোরোভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা পাঙথোক্কপা য়াদনা লৈরিবনি। এসিয়ানগী সেকেন্দ টাইয়র এফ সি কপসু মালেমগী ওইনা মীওই লাক্ষ ১৯ হেনবনা শোকহনখ্রবা অদুগা মীওই লাক্ষ ১ হেনবনা পূন্সি মাঙহনখ্রবা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা মমাঙ থাদগী পাঙথোকপা য়াদনা লাক্লি।

এ এফ সিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী গভর্ণমেন্টনা লেপ্পা লৈত্তনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপা অমসুং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা অদুমক থল্লিবনা এ এফ সিনা মে অমসুং জুন দা পাঙথোক্কদবা মেটচ খুদিংমক অমদি কম্পিটিসনশিংগী সেদ্যুলশিং মখা তানা অনৌবা মতম লেপ্ত্রিফাওবা য়ৈথোক্লে।

চেরোল অদুনা মখা তানা এ এফ সিনা কোভিদ-১৯ লাইচৎপু কুপ্না য়েঙশিনলি অমদি ন্যু দিল্লি, দোহার, দুবাই অমদি কৌলা লুম্পুরদা মশিং থিঙদনা ইর্ম্মজেন্সি মীটিং কয়া পাঙথোক্তুনা হান্নসু মার্চ অমসুং এপ্রিলদা পাঙথোক্কদবা মেটচশিং য়ৈথোকখিবা লৈখ্রে।

এ এফ সিনা মখা তানা অদুমক এ এফ সি কপ কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ারিবা মরিনৈনবা মেম্বর এসোসিয়েসনশিংনা তোয়না পাউ ফাওন্নদুনা অমদি ২০২০ এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগ অমদি এ এফ সি কপ গ্রুপ ষ্টেজ মপুং ফানা লোয়শিনবগী লম্বী থিরি হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি মালেমগী সোক্করগী গভর্ণিং বোদি ফিফা অমসুং সোক্কর গভর্ণিং বোদি এ এফ সিনা হান্না মার্চ অমসুং জুনদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান ৱার্ল্ড কপ ক্কালিফাইয়িং মেটচশিং য়ৈথোকপদা য়ান্নখ্রবনি।

# বেলজিয়ম ইন্টরনেস্নেল ফুটবোল্লর মারৌনে ফেলাইনি হোস্পিটালদগী দিচার্জ তৌখ্রে



সাঙহাই, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

হান্নগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ষ্টার মারৌনে ফেলাইনি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চাইনিস হোস্পিটাল অমদা কোরোনাভাইরস নাবদগী চায়োল অহুম লাইয়েংলবা মতুং ফাদুনা দির্চাজ তৌখ্রে হায়না মহাক্কী চাইনিসকী ক্লব সান্দোংনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা সান্দোং লুনেংগী মিডফিল্ডর ফেলাইনি চাইনিস সুপর লীগতা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোই ওইখি। অমদি মহাক হোস্পিটালদগী দিচার্জ তৌখ্রবা মতুং মখা তাবা ওবর্জাবেসন তৌনবগীদমক নুমিৎ ১৪ কোরেন্টাইন তৌগদৌরি।

বেলজিয়ম ইন্টিরনেস্নেল ফুটবোল্লর অসি হৌখিবা মার্চ ২২ দা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওই খঙলকখিবনি। মহাক্না জিনান সিটিদা লৈবা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈদা ষ্টারগ্রামগী খুৎথাংদা কা মনুংদা এক্সাইজ তৌবগী ভিদিও কয়া পোষ্ট তৌদুনা ফেনশিংদা মশা মডু ফনা লৈরি হায়বদু অদুমক চাঙনায়না খঙহন্দুনা তাকখি।

চাইনিসকী ক্লব সান্দোং দুনেংনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, হান্নদগী য়াম্না ফগৎলে মরম অদুনা মহাক হোস্পিটালদগী দির্চাজ তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। ফেলাইনিনা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না হোস্পিটালদা লৈরিঙৈ মতমদা ঐবু মীনুংশিগা লোয়ননা লাইয়েংলকখিবা মেদিকেল ষ্টাফ অমদি নর্সশিং ষ্টাফ পূম্নমকপু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

লাইচৎ অসি পূন্না লান্থেংনমিনশি হায়না মহাক্কী ষ্ট্রাগ্রাম অদুদা ফোঙদোকখি।

ফেলাইনি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা মপুং ফানা চহী মঙা মখায় শান্নরবদুনা ক্লব অসিগীদমক এফ এ কপ, লীগ কপ, দি কম্যুনিটি সিল্ড অমদি য়ুরোপা লীগকী মপু ওইবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখ্রবা মতুং চাইনিস সুপর লীগকী সান্দোং লুনেংগী য়ুরো মিলিয়ন ৭.২ দা সাইন তৌন্দুনা ইং ২০১৯ গী ফেব্রুৱারীদা লাকখি।

ফেলাইনিনা পোজিটিভ ওইখিবা মতম অদুদা চাইনিস সুপর লীগকী মতম অমা হেক্তদা হৌন্নবা শেম শারম্বা খোঙথাং অদু মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবনি।

ফেলাইনি বেলজিয়মগী ষ্টান্দদ লৈগীদগী শান্নবগী কেরিয়র হৌরক্তুনা ক্লব অসিদা ২০০৬ তগী ২০০৮ ফাওবা অপূনবা মেটচ ৬৪ দা গোল ৯ চনখি। মসিগী মতুং ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ইৱরটননা ১৫ মিলিয়নদা সাইন তৌদুনা ২০০৮ তগী ২০১৩ ফাওবা অপূনবা মেটচ ১৪১ শান্নখিবদা গোল ২৫ চনখি।

ইৱরটনগীদমক সিজন ৬ মায় পাক্লা মিডফিল্ডদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরমদুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মহাক্কী সার্ভিস ফঙনবগীদমক ইং ২০১৩ গী সেপ্তেম্বর ২ দা ২৭.৫ মিলিয়নদা চহী ৪গী খূৎয়েক পীন্দুনা ২০১৯ ফাওবা শান্নখিবদা মেটচ ১১৯ দা গোল ১২ চনখি অমদি নেস্নেল টিমগীদমক্তা মেটচ ৮৭ শান্নবদা গোল ১৮ চনবা ঙমখ্রে।

# রোমোলানা লৈখিদববা মাবানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (মাবা)গী জোইন্ট সেক্রেটরীগী ফম পুরম্বী য়ুম্নাম রোমোলানা হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১০ ইরাই নুমিৎতা মশাগী ময়ূম কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা ইখক খঙহৌদনা লৈখিদববা মাবাগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৫০ শুখ্রবী য়ুম্নাম রোমোলা মতম শাঙনা বোক্সিংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা ইনখৎল্লক্লিবা বোক্সরশিংনা নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওই অমনি।

মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা বোক্সিংগীদমক তৌরমখিবা থবক থৌরমশিং কাউবা ঙমদনা লৈহৌরগনি অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ওল মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ওল মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (মাবা)গী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীটিং চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ২৬ তা পাঙথোক্লবগী শেম শারম্বা অদু লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লান্থেংনবগী গভর্ণমেন্টনা লোকদাউন চখবনা মরম ওইদুনা অনৌবা মতম লেপ্ত্রিফাওবা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।



# পূৱারী ওইগদবা নুপীগী গোল্ফ ইভেন্ট সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্লগনি

রিয়াদ, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

মালেমগী ওইনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা নুপীগী প্রোফিসিনেল গোল্ফ ইভেন্ট কোরোনাভাইরস লাইচৎন্া মরম ওইদুনা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ৮ দগী ১১ ফাওবা সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লেদিস য়ুরোপিয়ান টুর ( এল ই টি)গী মনুং চনবা সাউদি লেদিস ইন্টরনেস্নেলনা অহানবা ওইনা মফম অদুদা রোয়েল গ্রিন গোল্ফ এন্দ কন্ত্রি ক্লবনা শীন লাঙদুনা গোল্ফ ইভেন্ট অসি পাঙথোক্লবা শেম শারি।

লেদিস য়ুরোপিয়ান টুরগী সি ই ও এলেকজেন্দর অরমাসনা ফোঙদোকখিবদা গোল্ফ সাউদিসনা পূৱারী ওইরগদবা ইভেন্ট অসিবু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং অদু অপেনবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি।

লেদিস য়ুরোপিয়ান টুর অসি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৪ দা পাঙথোকখিবা সাউঠ অফ্রিকান ৱুমেন’স ওপন মপুং ফানা লোয়শিনখ্রবা মতুং জুন ১৮ দগী ২০ ফাওবা ফ্রান্সতা ইবিয়ান রিসোর্ট গোল্ফ কপতা পঙথোক্কদবা জৱ্রান লেদিস ওপনগী মতুংদা পাঙথোক্লবা পান্দম থম্বা ৱুমেনস গোল্ফ ইভেন্ট অমনি।

## এ এফ সিনা এ আই এফ এফ থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসন ( এ এফ সি)না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদসরেসন ( এ আই এফ এফ)না মালেমগী ওইনা লান্থেংন্নরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎপু মায়থিবা পীনবগীদমক ফাইন্সসিয়েল কন্ত্রিব্যুসন তৌখিবা অমদি চেরিটি ইনিসিটিফশিংদা মপুং ফানা শরুক য়াবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এ এফ সিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন, গুৱাম ফুটবোল এসোসিয়েসন ( জি এফ এ), জে লীগ অমদি ৱুহান ফুটবোল এসোসিয়েসননা মীয়ামদা দোনেসন, পাব্লিক এৱার্নেস মেসেজ অমসুং ট্রেন্নিং সেন্টরদা মেদিকেল টিমগী য়ূম ওইনবা কখোকখিবা অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রিতম কোটাল, প্রোনোই হল্ডর, প্রবিন দাস অমদি অরিনদম ভতচ্যাজি মখোয়না পূনশিন্দুনা মথৌ তারবা মীওইশিংগীদমক চান্না থক্লবগী লুপা লাক্ষ ১.৫০ ময়া মতেং পাঙখিবা অসিমক্লা অমত্তা ওইবগী ৱাখলোন চেনহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

হান্নসু ইন্দিয়ান ফুটবোল্লর জে জে লাল পেকখুলারনা মিজোরামদা লৈবা দুদলান সাইনোট হোস্পিটালদা লোকদাউন চখরিঙৈ মনুংদা ঈ দরকার লৈবা অনাবশিংগীদমক্তা মশামক্কী ঈ দান তৌখিবা লৈরে।

# হোক্কি ইন্দিয়ানা নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

হোক্কি ইন্দিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নেস্নেল লোকদাউন মে ৩ ফাওবা শাঙদোকখিবনা এপ্রিল ২৯ দগী জুন ৩ ফাওবা পাঙথোক্লবগী নৌনা মতম লেপখিবা নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপশিং অদু অমুক মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মোহমদ মুষ্টাক অহমদনা হায়, হোক্কি ইন্দিয়ানা চহী অসিগী লেমহৌরিবা হোক্কি ইন্দিয়া নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপশিং মশান্ন অসিগা মরীলৈননবা মীওইশিং য়াওনা শান্নরোই, কোচ, ওর্গনাইজর অমদি ওফিসিয়েলশিংবু তেক্তা কায়দনা লৈহনবগী ৱাখলোনদা ৱারেপ অসি লৌবনি। লেমহৌরিবা টুর্নামেন্টশিং মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে অমদি লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী ফিভমগী মতুং ইন্না অনৌবা মতম লেপক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হোক্কি ইন্দির্য়ানা মরীলৈন্নবা সেন্ট্রল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংনা পাউ ফাওন্নদুনা পাব্লিক হেলঠ মেন্টল তৌনবা মথৌ তাবা থবক থৌরম পূম্নমক পায়খৎল্লি। য়ৈথোক্লিঙৈ মতমদা শরুক য়াগদৌরিবা মেম্বরশিংনা প্লেয়রগী অকুপ্পা অমদি য়ুনিটশিংগী অপদেট তোহৌন্নবা ফোঙদোকখি।

ঐহাক্লা য়ৈথোক্লিবা টুর্নামেন্টশিং অসিগী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অমদি মেম্বর য়ুনিটশিংনা হোক্কি ইন্দিয়ানা লৌখিবা ৱারেপ অসিবু শৌগৎপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মখা তানা শরুক য়াগদৌরিবা মেম্বর য়ুনিটশিংনা মেম্বর পোর্টেলগা লোয়ননা প্লেয়রশিংগী রেজিষ্ট্রেসন অপদেট তোহৌন্নবা মরীলৈন্নবশিংদা অপিল তৌখি।

মতম কক্তনা য়ৈথোক্লবা টুর্নামেন্টশিং অদুদি-এপ্রিল ১৯ দগী মে ৯ ফাওবা অমসুং মে ৭ দগী ১৭ ফাওবা রাঞ্চিদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা হোক্কি ইনিদয়া জুনিয়র ৱুমেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ( বি এন্দ এ দিভিজন), মে ১৪ দগী ২১ ফাওবা অমসুং মে ১৯ দগী ৩০ ফাওবা চেন্নাইনদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ (বি এন্দ এ দিভিজন), মে ৩ দগী ১৪ ফাওবা অমসুং মে ১২ দগী ৩০ ফাওবা হরিয়ানাগী হিসারদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱুমেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ( বি এন্দ এ দিভিজন), মে ২৮ দগী জুন ৪ ফাওবা অমসুং জুন ৩ দগী জুন ১৩ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা হোক্কি ইনিদয়া সব-জুনিয়র মেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ( বি এন্দ এ দিভিজন) অমদি জুন ২০ দগী জুলাই ৩ ফাওবা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ( বি এন্দ এ দিভিজন)নি।

# স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা কোচশিংগী ওনলাই ৱার্কশোপ হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসতা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা লাক্লি। লায়চৎ অসিগী অকিবা লৈবদগী লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা লোকদাউন চখদুনা লৈরিবনি। হাংদুনা লৈরিবা মতমশিং অসি মেনগৎনবগীদমক স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) না কোচশিংগী ওনলাইন ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি হায়না বোদি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এস এ আইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন ৱার্কশোপ অসিগী মমিং ‘স্বিম কোচেস নোলেদজ সেরিন ৱান’ হায়না থোক্লি। ৱার্কশোপ অসি লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতগী হৌরগা মেগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন ৱার্কশোপ অসিনা স্বিম্মিং কোচশিংদা মখোয়গী প্রোফেসনেলদা অহোংবা পুরক্লবা টেক্নিকেল অমসুং স্কিল হেনগৎনবা হোৎনগদৌরি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংনা থল্লিবা লোকদাউন অসিনা মরম ওইরগা থবক অমত্তা পাঙথোকপা য়াদনা লৈরি। য়াম্না মরুওইবা মতমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মশান্না অসিগী কোচশিংগী ওইবা ওনলাইন ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্কদবনি হায়না এস এফ আইগী একজিক্যুটিভ দাইরেক্টর ভিরেন্দ্র নারাভাটিনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

কালেনগী মতম অসি স্বিম্মিংগী য়াম্না মতাং চাবা সিজননি। ঐখোয় পূম্নমকসু ফ্রি ওইনরি। ওনলাইন ৱার্কশোপ অসিগী মতেংনা কোচশিংনা চৎন-পথাপশিং, টেক্নিককশিং অমসুং ট্রেনিং প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা অহেনবা মহৈ তমহৌবগী চপ চাবা মতমনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

স্বিম্মিং এসোসিয়েসন ওফ ইনিদয়াগী পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন ৱার্কশোপ অসিদা ইন্টরনেসনেলগী টোপ কোচশিং অমসুং ইন্দিয়াগী কোচশিংনা শরুক য়াগনি। মখোয়গী মনুংদা য়ু এসকী কোচ খৃস মার্টিন অমসুং দ্রোনাচার্য্য এৱার্দি নিহার আমিনগা লোয়ননা স্পোর্টস সাইন্স এক্সপার্ট কয়া অমসু শরুক য়াগনি।

# এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা দোমেষ্টিক কম্পিটিসনশিং সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনবা শেম শাখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সি)ঃ

এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইনিদয়া (এ এফ আই) না কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লোকদাউন চখরিবনা শান্নবগী থবক থৌরমশিং থিংজিনখ্রবা মতুং বোদি অসিনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদগী দোমেষ্টিক কম্পিটিসনশিং হৌনবা শেম শাখ্রে।

বোদি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা দোমেষ্টিক কম্পিটিসনশিং চহী অসিগী ওইনা সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরদা পাঙথোক্লবা শেম শারি। অদুগা কুমজা ২০২১ গী ওইনদি মার্চ অমসুং এপ্রিলদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়না এ এফ আইগী প্রসিদেন্ট অদিল্লে জে সুমারিৱাল্লানা এঠলেটশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমস য়ৈথোকখিবদগী ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা এঠলেটশিংনা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস ক্কালিফাইদ ওইনবা হোৎনবদা খুদোংচাবা চাওনা ফংলে অদুগা লৈবাক অসিগী সেনিয়র এঠলেটশিংগী ওইনসু ফিটনেসকী হোৎনবদা খুদোংচাবা ফংলে।

ফিভম অসিদা ঐখোয়না চহী অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা ফোরেন এক্সপোজর কেম্প পাঙথোকপগী ৱাফম ফোঙদোকপা ঙমদ্রি, অদুবু কুমজা ২০২১ দা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন-কম-ট্রেনিং কেম্পশিংদা শরুক য়ানবা শেম শারি। ফিভম অসিগা মরী লৈননা কেম্পশিং কুপ্না মোনিটর তৌরি, স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইনিদয়াগা তান্নরবা মতুং এঠলেটশিংনা মপান থোক্তুনা ট্রেনিং তৌবদা অয়াবা পীনবা হোৎনরি হায়না সুমারিৱাল্লানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ইলাইট এঠলেটশিং জেভলিন থ্রোৱর, নিরজ চোপ্রা, ক্কার্টরমাইলর হিমা দাস, সোট পুট্টর টাজিন্দর টুর, রেস ৱাক্কর কে টি ইরফান অমসুং ইন্দিয়াগী নুপা ৪X৪০০ অমসুং নুপীগী রিলে টিমগী মেম্বরশিংনা লোকদাউন লৈরিবা মরক্লা ইন্দোর ট্রেনিং তৌদুনা লৈরিবনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com